লেফ্ট পার্টিশিংনা মেনপেক্কী বন্দ শৌগৎনবা লেপ্পখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : লেফ্ট পার্টিশিং, সী পি আই (এম), সী পি আই, আর এস পি অমদি এ আই এফ বিগী মীফম অমা ঙসি নুংথিল ইরাবত ভবন ইম্ফালদা ফমখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৯ দা মেনপেক্লা কৌরিবা বন্দ অসি শৌগৎনবা ৰারেপ লৌখ্রে।

সী পি আই-এম মণিপুরগী ষ্টেট সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীফম অদুনা কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা সী এ বিগী মায়োক্তা মেনপেক্লা কৌরিবা বন্দ অসি শৌগৎনবা লেপ্পখিবনি। মীফম অদুনা চে অমসু লেফ্ট পার্টিশিংগী সেন্ট্রেল লিদরশিংদা থাদুনা পিছ টৌক অমদি সী এ বিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা ফ্লোর কোওর্দিনেসন লৈননা পায়খৎপীনবগীদমক থানবা লেপ্পখি। মীফম অদুদা সী পি আইগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, সী পি এমগী ষ্টেট সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তা, এ আই এফ বিগী সেক্রেটরি খোমদ্রাম গ্যানেশ্বর অমদি আর এস পি মণিপুরগী সেক্রেটরিসু শরুক য়াখি। লেফ্ট পার্টিশিংগী সেন্ট্রেল লিদরশিংদা থাগদৌরিবা চেরোল অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা লেফ্ট পার্টিশিংগী সেক্রেটরিশিংনা খুৎয়েক পী হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

কদায় ফাওবা হোৎনরিবগে য়েংবা তারে : খুকয়ো

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী অপূনবা শক্তমগীদমক লৈঙাক্না কদায় ফাওবা হোৎনরিবগে হায়বদু য়েংবা তারে হায়না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র য়ুথ ওর্গনাইজেসন (খুকয়ো) গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি আই টোনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এন এস সী এন-আই এমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ইনশিল্লগা কাঙলুপ ফুরুপ য়েংথিনবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে। কা-হেনবা থৌওং চথবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ইনশিন্দুনা মতেং পাংশিনবা অসিনা হেন্না ময়েক শেংলিবদি ইন্দিয়া অসি কা হেনবা থৌওং চথবগী মমা-মপানি হায়বদা ককনিংঙাই লৈতে। মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকপা য়ারোই হায়না মীওই লাখ কয়ানা লাউরকপা খোল্লাও অদুবু নাথৈনবা থেংখাং কয়াদা হোৎনরি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী থৌশিল কয়া অদুবু মুকথেত্তুনা ভলন্টিয়র ওফ দি ইনোসেন্ট পিপল ওফ নাগানা চোংথোরকপা অসিমক লাইবক ফরবনি। হিরম অসিদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম হায়বসি লৈমিন্নরিবা কাঙলুপ ফুরুপকী নুংশি-চান্নবা, অমগা অমগা মতেং পাংনবা অদুনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

কেন্দিদেট খল্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : আইরিস ২০২০ প্রোগ্রামগীদমক টৌকিওদা থানবা কেন্দিদেট ১৩ খল্লগনি হায়না মণিপুর টুরিজম ফোরমগী সেক্রেটরি হর্জীট সিনামনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন, ইনভাইরনমেন্টনচিংবগী ওইবা প্রোগ্রাম অসিদা কেন্দিদেটশিং অসি শরুক য়াগদবনি। আইরিস প্রোগ্রাম ২০২০ গীদমক কেন্দিদেটশিংদগী এপ্লিকেসন কৌরি। এপ্লিকেসন পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২০ নি হায়রি।

হেন্না কনবা থৌদাং লৌরগনি : কাদা

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : মীয়াম্না চঙশিল্লিবা ঈহৌদা হেন্না কনবা থৌদাং লৌরগনি হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) গী সেক্রেটরি জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পিছ টৌক্কী অরোইবা ৰারোইশিন অমা পুরক্লবা হৌখিবা থাগী ৩১ দা য়ানখিবা ৰারোলশিং মণিপুর মীয়ামদা খঙহল্লু হায়না মীয়াম্না কোকোমিগী লমজিং মখাদা চথরিবা ঈহৌ অসিদা কাদানসু হান্নদগী হৌনা শরুক য়াদুনা লাকপগা লোয়ননা হেন্না কনবা মওংদা শরুক য়াগনি। কাদাগী য়ুনিট ব্রাঞ্চ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিশিংগী থৌমীশিংনা ঈহৌ চঙশিল্লগনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মতম কয়াগী মমাঙদগী লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা খাইবুং-খাইবুং তাননবা অমসুং লমদমসিগী অপূনবা শক্তম থুগায়নবা হোৎনরক্লি। থৌওংশিং অসি হেন্না ময়েক শেংলকপগা লোয়ননা অসিগুম্বা মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা শিংনরকপা থৌওংশিংগী মায়োক্তা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ খুদিংমক্না ফুরুপকী খেন্নবা থমদনা অপূনবা মণিপুরগী তুংলমচৎ অমগীদমক খোঙফম চেংনা লেপমিন্নবগী তঙাইফদ্দবা মতম লাক্লে।

এন এস সী এন-আই এম অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মরক্তা চথরিবা ৰারী অসিবুদি মতম খুদিংমক্তা তরাম্না ওক্কনি। অদুবু ৰারোইশিন অমা পুরক্লবা শানরিবা ৰারী অদুদা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকপা য়াবা ৰাফম য়াওরক্লবদি মণিপুর মীয়াম্না কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই। নাগা তাবা মণিপুরগী চীংগী লমদমশিংদা সিক্স সেদ্যুল চৎনহনবা নৎত্রগা টেরিটোরিয়ল কাউন্সীল শেম্বনচিংবগী অয়াবা পীথোকখিবা তারবদি মদু মণিপুর মনুংদা অনৌবা ষ্টেট অমা শেল্লক্লবগী মরু হুল্লকপনি। মণিপুর মনুংদা পেরেলেল গভর্ণমেন্ট অমা লৈরকপা য়াবগী ফীভম লৈ হায়বসি মণিপুর মীয়াম্না খঙজিনবা তঙাইফদে। থৌওংশিং অসি মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা শিংনরকপনি। মণিপুর লৈঙাক্লসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী য়াকা য়েংদুনা লৈবগী মহুৎতা থৌনা ফনা অমদি পুকচেল শেংনা মণিপুর মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট খঙনা থবক পায়খৎকদবনি। মীয়াম্না কোকোমিগী লমজিং মখাদা চঙশিল্লিবা ঈহৌ অসিগী খুদক-খুদক্তা ওইরকপা ফীভমশিং মতম মতমগী মতুংইন্না মায়োক য়ানবা কাদাগী থৌমী খুদিংমক শেম-শাদুনা লৈরসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মণিপুরগী লৈঙাক্লোয়শিং কলহনবীনবা থৌনিখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : অশোনবা লৈঙাক্লোয়শিং কলহনবীনবা থৌনিখ্রে হায়না ফুরুপলক্কী সনামহী লাইনিং অমসুং পুন্সিরোল খুপফম থৌশিলকোনগী থৌপুরেল পি লোয়ানহানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর কায়হনবীরোই হায়রকই হায়দুনা অশোনবা লৈঙাক্লোয়শিংনা পাউ তম্লগা তোকপা অসিগী মহুৎতা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী য়ান্ন-ৰারোলগী শরুক মচেৎ অমফাওবা কংলৈপাক্কী ফিবান্নুংদা চৎনহনবা য়ারোই হায়বা ঙম্বা মথৌনা লৈবা লৈঙাক্লোয়শিং ওইহনবীরো হায়না লাইনিংথৌ সনামহীগী মফমদা থৌনিখ্রে। লৈঙাক্লোয়শিংবু কলহনবীনবা থৌনিখিবনি। লমদমসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ষ্টেটসিগী লৈঙাক্লোয়শিং মথৌনা লৈনা থেংনবগী তঙাইফদবা লৈ। অসিগুম্বা ফীভমসি লৈবনা লাইনিংথৌ সনামহীগী মফমদা থৌনিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ভোকেসনল ট্রেনিং সেন্টর হাংদোকখ্রে

ASSAM RIFLES VOCATIONAL TRAINING
HIYANGLAM, KAKCHING
CERTIFICATE
PMKVY

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : ভোকেসনল ট্রেনিং সেন্টর অমা ঙরাং হিয়াংলমদা হাংদোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদুদা আই জি এ আর (সাউথ) কী মেজর জেনরেল কে পি সিংহ, ৰাই এস এমনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। ২৮ সেক্তর অসাম রাইফলসকী কম্মান্দর বৃগেদিয়র নিলেস ভানোটসু শরুক য়াখি। ট্রেনিং সেন্টর অসিদা হেন্দলুম, ৱিভিং, ইম্ব্রোইদরি অমদি ফি তুবনচিংবা ট্রেনিং পীগনি। প্রধান মন্ত্রি কৌসাল বিকাস যোজনাগী শরুক অমা ওইনা স্কিল দিভলপমেন্টকী থবকশিং পায়খৎপনি। বিনিফিসরিশিংদা সার্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি। বিনিফিসরিশিংনা মখোয়গী হৈ-শিংবা কয়া অদু উৎথোক্লবগী তাঞ্জা অমসু ফংলগনি।

ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্টকী শরুক অমা ওইনা সেলোন বট্টালিয়ননা সোলর পাৱর সিষ্টেম ৬০ তোঙান তোঙানবা খুল কয়াদা য়েন্থোকখ্রে। খোইলেন, গাম্মোন, গেলমোল, সেজাং, বোংজোইনচিংবা খুলশিংগী ওইনা য়েন্থোকখি। ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট অমদি কেপাসিটি বিল্ডিংগী মরুওইবা য়েংলগা পায়খৎপনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

উচাথোল-লশাবিথোল লম্বী ফৎত্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : উচাথোল-লৈশাবিথোল লম্বীগী ফীভম অসি য়াম্না ফৎত্রে হায়না পাইওনর ক্লব, উচাথোল জিরিবামগী সেক্রেটরি ৰাই রোমেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৰাই রোমেননা ফোঙদোকখিবদা, উচাথোল লম্বী অসি অসুক্কী মতিক ফীভম শোক্লে। নোংজু থাগী মতমদা লৈখোমনা চৎথোক চৎশিন্দা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। দ্রাই সিজন মতমদনা লম্বী অসিদা উফুলনা মরম ওইরগা চৎথোক-চৎশিন্দা অসুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লে। লম্বী অসিদা গাড়ী চৎখিবা মতমদা উফুলনা লম্বী চৎলিবশিং অমদি লম্বীগী নাকলদা লৈরিবা মীওইশিংদা অৱাবা ওইহল্লে। লম্বী অসি মতম শাংনা শম্বীদবদগী খুদোংচাদবা মওং অমদা লাকখিবনি। স্কুল, কোলেজ চৎলিবা মহৈরোয় কয়া অমা লম্বী অসিদা ফাওরগা চৎপদা থেংনরিবা অৱাবা ফীভমসি খঙমিন্নবা চঙই। লম্বী অসিগী ফীভম ফত্তবনা মরম ওইরগা উফুল-ৰাইফুলনা মীওই কয়া নাবা য়াওরে। অচৌবা গাড়ী কয়া লম্বী অসিদা চৎপনা মরম ওইরগা লম্বী অসিগী ফীভম অসুক্কী মতিক শোকচিল্লকপনি। নোংজু থাগী মতমদা অচৌবা গাড়ী কয়া চৎলকপা মতমদা লম্বী অসি অসুক্কী মতিক ফীভম শোকপা হেঞ্জিল্লি। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা কয়ারক হন্না হায়বা লৈখ্রে। পাইওনর ক্লব, উচাথোলদা মীফমনচিংবা পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনবা কয়া অমসু লৈখ্রে হায়রি।

দুৱাগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, মার্ক ৱাংনা ফংবা অফবা মহৈরোয়শিংদা মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন্না শীন্দুনা ১২ শুবা দুৱাগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা হনিফ সাহ মেমোরিয়ল মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি অবা গ্রাউন্দ কম্যুনিটি হোল ক্ষেত্রিগাওদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা থৌবাল জিলা পরিষদকী অধক্ষা হসিনা বেগম, ককচিংগী উপ-অধক্ষা নাজিমুদ্দিন, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মণিপুরগী এ ও সৈখ অব্দুল, জিলা পরিষদ ক্ষেত্রিগাও মেম্বর নজরুল, তুরেল অহনবী অতোংখোং জি পিগী প্রধান ইদ্রিজ আলি, কৈরং খোমিদোক্কী প্রধান নুরজহান, হয়েল-হঙ্গুল জি পিগী প্রধান সিকন্দর আলি, সঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট ৱানগী প্রধান জাকির খান, সঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট টু জি পিগী প্রধান ৱাহিদুর, কৈরাও মক্তিং জি পিগী প্রধান মুক্তিয়ার, ৱাংখেম জি পিগী মেম্বর ফজল খান, ক্ষেত্রিগাও পার্ট টু জি পিগী প্রধান অব্দুল, ইরোং চেসাবা জি পিগী প্রধান, ইস্লাও রহমন, ক্ষেত্রিগাও পার্ট ৱান জি পিগী ফজুর রহমন, ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী কাউন্সীল্লর মহরুদ্দিন, বার কাউন্সীল মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ রবি খান, অম্মোকোক হেদ ক্বার্টরগী ভি পি মুজাফর আলি, অম্মাসো হেদ ক্বার্টরগী প্রসিদেন্ট সাহ নৱাজ, এম এম দল্লিয়ু ওগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ৱাজিদ শাহ, এদ্যুকেসনল ইনষ্টিট্যুট ইরোং চেসাবা, আইদিয়ল পব্লিক স্কুল ইরোংগী এম দি রফিজুদ্দিনসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি জেনরেল য়ুনুস আলিনা ফোঙদোরকপদা, অম্মাসোগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা লৈখিদ্রবা অনিফ সাহ লৈখিদবগী দুৱাগী থৌরমগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকপনি। সী বি এস ঈ, কোসেম, বোসেমগী মকোক-মথং তারকখ্রবা মহৈরোয়শিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকপনি। ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী ওইনা পীবনি। অম্মাসোনা পাঙথোক্লিবা মেরিটোরিয়স এৱার্দ পীবগী থৌরমসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন্দি ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিং অচুম্বা লম্বীদা চৎনবা অমদি অফবা ওইরক্লবা পাঙথোকপনি। এৱার্দ অসি মতুং তারকপদসু পীনবা ফিরেপ লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা মহৈরোয় ১৪১ দা মনা পীখি।

মফম কয়াদা চেকশিন মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : পুরৈরোম্বা কৈথেল নুপী সেবা কম্মিটি অমদি কোনুং মমাঙগী অকোয়বদা দুকান ফল্লিবশিংগী ওইবা অপূনবা চেকশিন মীফম অমা ঙসি কোনুং মমাঙ কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা কোকোমিগী এসিষ্টেন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটি অব্দুলা ফুন্দ্রেময়ুমনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা তংদু-লৈতাদবা ফীভম লাক্লি। সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তুনা হরাও-মথোই কাদুনা লৈগদবা মতম নত্তে। ঐখোয়গী নুংঙাইবা করি লৈদুনা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কদৌরিবনো। অমম্বা কা অমদা ঐখোয়বু ছো লোনশিন্দুনা করিদা নুংঙাইরিবনো। নুংঙাইরবা মতমদা পাঙথোক্কদবনি। হৌজিক সী এ বি অমুক লাক্লগনি। পার্লিয়ামেন্টতা পুথোরক্লগনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মনুংদা করি য়াওরি হায়বসু খঙহন্দ্রে। এসেমব্লী কৌদুনা মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা ৱারেপ লৌবীয়ু হায়রবসু তাদনা লাক্লি। মতম অসিদা সঙাই ফেষ্টিভেল অমদি হরাও-কুম্মৈ পাঙথোকপা মতম নত্তে। মীয়াম্না সঙাই ফেষ্টিভেল য়াওবীগনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায় দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায় চনুরা চাউখৎ থৌরাং লূপ মৈরা পায়বীগা খুৎশম্ন দুনা পিছ টৌক্তা মণিপুর হিরম অমত্তদা কায়বা য়ারোই হায়না কোকোমিনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায়দা চেকশিন মীফম ফমখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায় দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট চোংথাম ইবোয়াইমনা ফোঙদোরকপদা, কোকোমিনা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মীফম অসি পাঙথোকপনি। পিছ টৌক্তা মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৰাকৎ মীফম ফম্ফম অদুদা চাংমী-তম্মী অমত্তনি, মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়না থাবা প্লে কার্দ কয়াসু থেৎখি।

সঙাই ফেষ্টিভেলনা মীয়ামগী ঈহৌ নাথৈহনবা ঙম্লোই, পিছ টৌক্কী মায়োক্তা থেংনগনি : সোটিনকুমার

MANIPUR STATE COUNCIL C.P.I.

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : সঙাই ফেষ্টিভেলনা মীয়ামগী ঈহৌ নাথৈহনবা ঙম্লোই, সী এ বি অমসুং পিছ টৌক্কী মায়োক্তা থেংনগনি হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাবত ভবনদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এল সোটিনকুমারনা হায়খি, মণিপুর মীয়াম্না ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুর শোকহনবা য়ারোই হায়বগী অকনবা ঈহৌ কয়া চঙশিল্লি। মসিগী মরক্তা সী এ বি পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্কনি হায়বা ৱাফম লাক্লি। মসিদা সঙাই ফেষ্টিভেলনা মীয়ামগী ঈহৌ নাথৈবা ঙম্লোই। সী পি আইনা থেংননবা শেম-শারে। লোকল অমসুং ষ্টেটকী ওইনা অচৌবা রেল্লি অমসু চৎকনি। সঙাই ফেষ্টিভেল সী পি আইনা বোয়কোট তৌরে। পার্লিয়ামেন্ট মীফম হয়েংদগী হৌগদৌরি। মসিদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সোনোৱালনা প্রাইম মিনিষ্টরদা সী এ বি চৎনবা য়ারোই হায়রি। অরুনাচল প্রদেশনসু হায়রি। মণিপুরদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা হায়বা ঙমদ্রিবা করিগীনো। এম পি, আর কে রঞ্জননা মীয়াম মরক্তা য়াওগদবা মতম অসিদা অমিট শাহ অমদি প্রাইম মিনিষ্টরনা অইবা চেরোল করম্না পীগদৌরিবনো হায়বসি ঈকায়নিংঙাইনি। এম পি অমা ওইনা পার্লিয়ামেন্টতা মহাক্না ঙাংনবগী মতম পীবীগনি থাজদে। মোদিনা হিন্দু লৈবাক অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা সী এ বি পুথোরক্কদৌরিবনি। মণিপুর মীয়াম মাইনোরিটি ওইহন্নবা শিনবা লাল্লোংনি। সী এমনা ক্লোজ অমা হাপ্পা হায়বসু য়ারোইদবা ৱাফমনি।

মণিপুর পিপল বিল এসেন্ট পীয়ু য়াদনা লৈরি। পীবীনবা তকশিনবসু লৈতে। মণিপুরগী ওইবা থবক অমত্তা লৈঙাক্না তৌরক্তবা মরম্না মীয়াম ৱাহল্লিবনি। কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী খুৎয়েক পীনবদা ফিরাল অমসুং কনষ্টিট্যুসনদা য়েৎনরম্বদু য়ানখ্রে। মদুদা য়ানরিবা অমদি য়াওরিবশিং অদু মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহন্দবা হায়বসি কিনিংঙাই ওইরকপনি। ওক্টোবর ৩১ দা য়ানখিবশিং করি করিনো হায়বা অদুসু খঙহল্লু হায়বদা এম পিনা হায়ফম থোক্তে হায়বসি ঈকায়নিংঙাইনি।

মণিপুরদা ঈরাং থোকপা য়াবা ফীভমদা অসিগুম্বা ৱাহৈ হায়গদবা নত্তে। মণিপুরগী এসেমব্লী কৌবদা অকিবা ফাওরিবগী মরম বি জে পি লৈঙাক লৈবদগীনি। কেবিনেটতা ৱারেপ লৌরগা মণিপুর শোক্তনবা চেরোল থাবা ঙমদ্রে। সঙাই ফেষ্টিভেলনা মীয়ামগী ঈহৌ নাথৈবা ঙম্লোই। পার্লিয়ামেন্টতা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱারোল পুথোক্তে। মোদি অমসুং অমিট শাহ অনীগী মখুৎতা মখোয়বু চলহল্লি। সী এ বিগী ৱাফম ৱারেপ লৌনবা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্লবা হোৎনরিবা অসিদা সী পি আইগী ওইনা চৎমিন্নরিবশিংগা থেংনমিন্ননবা শেম-শারে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা সী পি আই মণিপুরগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

সঙাই ফেষ্টিভেলগী শীজিন্নখিবা সাউন্দ, লাইট, ষ্টেজকী শেল পীবীদ্রে : ইশ্বর

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : সঙাই ফেষ্টিভেল ২০১৭ অমসুং ২০১৮ গী শীজিন্নখিবা সাউন্দ, লাইট, ষ্টেজনচিংবগী শেল ঙসি ফাওবা পীবীদ্রে হায়না লৈশাংথেম ইশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংদা লৈশাংথেম ইশ্বরনা হায়খি, আর্ট এন্দ কলচর অমদি টুরিজম দিপার্টমেন্টকী মখাদা লাইট, সাউন্দ অমসুং ষ্টেজ শেমদুনা শীজিন্নখ্রবনি। কুমজা ২০১৮ গী ওইনসু আর্ট এন্দ কলচরগী টেন্দর মখাদা শুখিবা ঙাক্তনি। হৌজিক পীথোক্ত্রিবা অসি লুপা লাখ ৯.৫০ রোমনি। শেল পীবীদবনা মরম ওইরগা সঙাই ফেষ্টিভেল ২০১৯ গী ওইনা থবক লৌদ্রে। সঙাই ফেষ্টিভেলগী মমাঙগী শেলশিং পীথোক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে। সঙাই ফেষ্টিভেলদা হান্না পায়রম্বা লাইট, সাউন্দ অমসুং ষ্টেজ দেকোরেসনগী শেল পীদবনিনা থবক লৌদ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মনিদকোগী মখাদা শুখিবা চিরোম জয়কুমার, এম এস জয় ইন্টরপ্রাইজনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০১৭ গী কাংজৈবুং, লম্বোইখোংনাংখোং অমদি খুমন লম্পাক্তা সঙাই ফেষ্টিভেলগী শেম-শাখি। কুমজা ২০১৭ গী ওইনা লুপা লাখ ২৮, কুমজা ২০১৮ গী ওইনা লুপা লাখ ২.৫ নি। ঙসি ফাওবা পীবীদনা লাক্লি। কুমজা২০১৯ গী সঙাই ফেষ্টিভেল মমাঙদা পীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি। মমাঙগী সঙাই ফেষ্টিভেলগী শেল পীথোকপীদবা লাইবক থীবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা রিফ্রেসর কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : য়ু জি সী-ঐচ আর দি সী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা রিফ্রেসর কোর্স/ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম/সোর্ট টর্ম কোর্সশিং পাঙথোক্লগনি হায়না য়ু জি সী-ঐচ আর দি সী, এম য়ুগী দিরেক্টর প্রোফেসর আই তোম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা২০২০ গী জন্যুৱারী ২০ দগী ফেব্রুৱারী ৮ ফাওবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম, চহী অসিগী দিসেম্বর ৯ দগী ২১ ফাওবা স্পেসল রিফ্রেসর কোর্স ইন ফিজিক্স পাঙথোক্কনি। চহী অসিগী দিসেম্বর ২ দগী ১৭ ফাওবা ইন্টর দিসিপ্লিনরি রিফ্রেসর কোর্স ইন টিচরস এদ্যুকেটর পাঙথোক্কনি। কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ১৩ দগী ২৫ ফাওবা ৱিন্টর স্কুল ওন রিছার্স মেথোদোলোজি ইন মেথমেটিকেল এন্দ ফিজিকেল সাইন্স পাঙথোক্কনি। কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ৬ তা নোংমগী ওইবা প্রিন্সিপাল মীট পাঙথোক্কনি। কুমজা ২০২০ গী ফেব্রুৱারী ১৭ তগী ২২ ফাওবা সোর্ট টর্ম কোর্স ইন এস পি এস এস ফোর টিচরস পাঙথোক্কনি। এপ্লিকেসন ফোর্ম য়ু জি সী-ঐচ আর দি সী, এম য়ুদগী ফংগনি। প্রোগ্রামশিং অসিগী পার্টিসিপেন্টশিং খনবগী মওং অসি ফর্ষ্ট কম ফর্ষ্ট সর্ভ বেসিসতা ওইগনি। কোলেজ নৎত্রগা য়ুনিভর্সিটি অমদগী পার্টিসিপেন্ট ৩ গী চাংদা খনগনি। প্রোগ্রাম অসিগী এদমিসন অসি চৎন-কাঙলোনগী মখাদা পায়খৎকনি। প্রোগ্রামশিং অসিগী ওইনা পার্টিসিপেন্টশিং অসি ২০ দগী ৪০ ফাওবগী মনুংদা ওইগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

থোংখোং লক্ষ্মী এম সীগী কাউন্সীল্লরনা দষ্টবিন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : থোংখোং লক্ষ্মী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ৱানগী কাউন্সীল্লর চান্দম রেনুবালাগী য়ুমদা দষ্টবিন য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কাউন্সীল্লর রেনুবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, দষ্টবিন য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ৱার্দ অসিগী য়ুমথোঙ ১৬০ দা হিগোক অমদি অশংবা মচুগী দষ্টবিন ২/২ য়েন্থোকখি। য়ুমগী অকোয়বদা লৈরিবা অমোৎপা ফত্ত-হাওদি ময়াম মফম চানা হাপচিন্দুনা থল্লগা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী গাড়ীনা লৌবা চৎকনি। ফত্ত-হাওদি অমোৎ-অকায়শিং দষ্টবিন অসিদা হাপ্পীয়ু। থাগী ওইনা টেক্স থিবীয়ু। য়ুমগী অকোয়বা লূ-নান্না থম্মবা মতেং পাংবীয়ু। লূ-নানবা লমদম ওইহন্নবগীদমক অমোৎ-অকায়শিং মফম চানা থম্বা তঙাইফদে। অমোৎপশিং দষ্টবিনদা হাপচিন্নবগীদমক ঙসি য়েন্থোকপনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM) & CLASS -X(BOSEM)
4th Nov. 2019 (4:00/4:30 p.m. - 7:30)
5th Dec. 2019 (3:30 p.m. - 7:30)
HSE Result 2019
19th POSITION HSE 2019
FOUNDATION COURSE for CLASS -X(BOSEM)
9th Dec. 2019 (4:30 p.m. - 7:30)
HSLC Examination Result 2019 at a GLANCE
13th POSITION HSLC 2019
17th POSITION HSLC 2019
23rd POSITION HSLC 2019
24th POSITION HSLC 2019
Rakesh Ningthoujam
Nongmaithem Zeno
Jessica Wahengbam
Kahajam Jaya Devi
Rushely Laishram
Faculties :
Former Head Examiner, Assitant Head Examiner, Co-ordinator, Board Examiner and Lecturers from reputed Higher Secondary School.
Special features :
➡ Mock-Test Series (Sunday and provide four Question Set for each subject).
➡ We provide printed probable questions and answers.
➡ Hostel/Boarding for Boys &Girls.
➡ Van Services
Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol
Contact : 8413855751
HL-B/4082/14 oct. - 1 nov.
HL-P/5783/3-30 Nov. & 1-2 Dec.

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 9th December 2019
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19
Time : 11 am to 4 pm
TOPPERS of 2019
1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpokngamba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Singam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
1ST POSITION 2019
It is an ecstatic moment for me on securing first position in the HSLC - Examination, 2019. Angels' coaching centre has helped me a lot in the preparation of this exam. Indeed, it is one of the best coaching centres in Imphal. Go to Angels and get success in life.
- Bhumika Sh
7th MEGA MOCK TEST

Date	Sub.
26/12/19	English
28/12/19	S. Science
31/12/19	Maths
03/01/20	Science
05/01/20	Adl. Sub.
07/01/20	MIL

Last date of Form Submission 17/12/19
PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342
VAN AVAILABLE